আলু পুবা ট্রক্তা ড্রগ বট্টল ১৫,৬০০ পুরম্লে

কাথুৰা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিসনা আলু পুবা ট্রক অমগী মনুংদা লোৎশিন্দুনা পুরম্বা ড্রগ বট্টল ১৫,৬০০ কাথুৰাদগী ঙসি ফাগৎখ্রে। এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট অমসুং পুলিসকী অপূনবা খুৎপু অমনা ড্রগ লল্লোনবশিংগী থৌশিল অদু মায় পাকহনখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ট্রক অদু পঞ্জাবতগী লাকখিবনি। কাশ্মিরদা ড্রগ পুশিল্লক্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী খামদুনা চেক তৌনবা হোৎনখি। মদুদা ট্রক অদুগী ড্রাইভর নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। অদুগা ড্রগশিং অদুদি ফাহৌরে হায়রি। লক্ষনপুরগী দেপ্যুটি এক্সাইজ কম্মিস্নার রঞ্জিৎ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা, ট্রক অদুগী মশাগী অরুম্বা অদুদগী কা হেন্না হেনগৎলম্বা থেংনবদা চিংনবা ফাওখি। ট্রক অদুগী মনুংদা লোৎশিন্দুনা পুরল্লিবা পোৎলমশিং অদু কোদিন ফোস্ফেট অমসুং ট্রিপ্রোলিদিন হায়দ্রো ক্লোরাইদ সিরব বট্টলশিংনি হায়রি।

য়াম্লবা ড্রগশিং অদু পুরক্লিবা আলুশিংগী অদুগী মখাদা লোৎশিন্দুনা লৈরমখি। কোদিন ফোস্ফেট বট্টলশিং অদু কোরেক্স হায়না খঙনবা ড্রগ ওইনা শীজিন্নবা হিদাক মখল অদুগা কম্পোজিসন চপ মান্নে হায়রি।

অসাম সিটিজন্স লিষ্টতা চাউনা অহোংবা লাক্কনি : হিমন্ত শর্ম্মা

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): অসামগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) ড্রাফ্‌ট লিষ্ট অদু হৌজিক চথরিবা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনগী প্রোসেস লোইরবা মতুংদদি চাউনা অহোংবা লাকখিগনি হায়না অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এন আর সীগী ফাইনেল ড্রাফ্‌ট অদু অচৌবা ইস্যু অমা নত্তে। মদুনা অরোইবসু নত্তে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। অসামদা হৌজিক এন আর সীগী ৰাফম অদু চপ চানা লোইশিনবা হায়বা অমা ওইদ্রি। শুপ্পতংগী ড্রাফ্‌ট লিষ্ট অমা ফোঙখিবনি। ফোঙখিবা এন আর সীগী লিষ্ট অদুদা মীওই কয়াগী মিং য়াওদ্রি। হৌজিক চথরিবা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনগী প্রোসেস অসি লোইশিল্লবা মতুংদদি চাউনা অহোংবা লাকখিগনি। লোয়ননা লৈঙাক্লা হিরম অদুগী মতাংদা কুপ্পা খন্নরি।

হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা নোর্থ ইষ্ট দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী কনভিনর ওইনসু থৌ পুরিবনি। অদুগুম্বা এল্লাইয়েন্স অদুদা তোঙান তোঙানবা রিজনল পোলিটিকেল পার্টি কয়াসু য়াওরিবনি হায়রি।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবসু এন আর সীগী মতাংদা পাউমীশিংগা উনবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। এন আর সীগী মতাংদা দিমান্দ কয়া তৌরক্লিবা অদুগী মরমদা মহাক্তি য়াম্না মুন্না খঙবা ওইদে। এন আর সীগী ইস্যু অসিনা অসামদা চাউনা উংখৎনবা থোকহল্লি। জুলাই ৩০ দা এন আর সী ড্রাফ্‌ট লিষ্ট ফোঙখিবা মতুং মীয়ামগী মরক্তা মিং য়াওদবগী নুংনাংবা কয়া পোক্লরি। মীওই লাখ ৪০ রোমগী মিং য়াওদ্রি। মদুগী মনুংদা অসামগী হান্নগী মিনিষ্টর অমগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু য়াওদ্রিবনি হায়রি।

হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মখা তানা হায়, চথরিবা প্রোসেস অদু মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদদি ষ্টেট অদুগী ওইবা অসাম নোদেল এন আর সী লৈরগনি। অদুগুম্বা এন আর সী অদু নীংথিনা চুমথোক্লবা অমসুং মপুং ফাবা ওইহনসি। মীয়াম্না লৈঙাক্কী থৌশিল অদুবু মায় পাক্লনবা মতেং পাংবীনবসু হায়জখি। এন দি এগী মপাং অমা ওইরিবা ইনি দজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরানসু ত্রিপুরাদা এন আর সীগী থৌশিল পায়খৎনবা তকশিনবা লৈরিবনি। অদুগুম্বা থৌশিল অদু পায়খৎপদা করিসু খুদোংচাদবা লৈরোই হায়খি।

রাফেল দিলগী মতাংদা সোনিয়ানা লুচিংদুনা পার্লিয়ামেন্ট মপান্দা খোঙজং চঙশিনখ্রে

COVER-UP
UT IN THE
OPEN
Rs 1,30,000 CRORE
TO RAFALE SCA
RAFALE
SCAM
FARM LOAN
WAIVER

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) না পায়খৎলিবা রাফেল দিলগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা লমজিংদুনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা ওপোজিসন লুচিংবা রাজবাবর, গুলাম নবি অজাদ, অনন্দ শর্ম্মা, অম্বিকা সোনি, সী পি আইগী দি রাজা, এ এ পিগী সুনিল গুপ্তানচিংবা মীওই কয়ানা প্লে কার্দ পায়দুনা শরুক য়াখি।

মীওইশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা, রাফেল দিলগী থৌদোক অসিনা মোদিনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী থৌওং অদু ময়েক শেংনা উৎথোক্লে। ৰাথোক অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অমনি। জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা রাফেল দিলগী মরমদা থিগৎহন্নবসু তকশিনখি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা ঙসি রাজ্য সভাদা রাফেল দিল অদু চিংনেনিংঙাই ওইবা অমা ওইরে। জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি (জে পি সী) অমনা থিগৎহনসি হায়না পুখৎখি। পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেরস মিনিষ্টর বিজয় গোয়েলনা খোঙজং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা শিরিবা মরাল অদুগী চপ চাবা খুদম চাংদম পুথোক্কদবনি। ঙসি রাজ্য চ্যেরমেনগী চ্যেরমেন এম ভেংকয়া নাইদুনা ব্রেকফাষ্ট চামিন্নবা ইনভাইট তৌরকখিবা অদুবু কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শরুক য়াখিদ্রে। ঙসিগী মীফমদা রাফেল দিলগী মতাংদা খন্ননবা ৰাফম পুখৎপা য়াহনখিদবগীদমক মশিং য়াম্লবা ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংনা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

নাইদুনা কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা রাফেল দিলগী মতাংদা পুখৎনিংলিবা ৰাফম অদু পুখৎপা য়াহন্নবা হায়জখি। লোয়ননা জে পি সীনা থিগৎহনবগী ৰাফম অদুসু য়াহনগদবনি হায়খি।

ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা ৰাফমশিং ফোঙদোক্লরকপনা মরম ওইরগা সভাগী মাইক্রোফোনশিং মুথৎলকখি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্না বিল অনী নমদুনা পাস তৌহন্নবা হোৎনরকখি। কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লৈঙাক অসিবু মরাল শিরদুনা হায়, মীদিয়ানা মনিং তম্না পাউ ফোঙবদা লৈঙাক অসিনা থিংজিন্নবা হোৎনৈ। ৰাথোক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী চুংশিন্নবদা এ এ পি য়াওররোই : আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিশিং চুংশিন্ননবা পায়খৎলিবা থৌশিল অদুদা আম অদামি পার্টি (এ এ পি) য়াওরোই হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবা অমসুং দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, মহাক্কী পার্টিনা ওপোজিসন এল্লাইয়েন্সতা য়াওরোই-দবগী মরমদি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা অদুগুম্বা চুংশিন্নবগী থৌশিল অদুনা থৌদাং লৌবগী ৰাফম য়াওদে। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুদা ওপোজিসন পার্টিগী গ্রান্দ এল্লাইয়েন্সতা এ এ পি য়াওবগী ৰাফম লৈতে হায়না ঙসি রোটক্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হরিয়না লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা এ এ পিনা সিট খুদিংমক্তা মীখল থেংনগনি। মদুতা নত্তনা জেনরেল ইলেক্সন্দসু মখোয়গী মীরেপশিং থাদোক্কনি হায়খি।

দিল্লিদা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপদা থিন্থহনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু মরাল শিরদুনা হায়, দিল্লিদা লৈঙাক্লা পায়খৎপা খোঙথাং খুদিংমক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা খুরৌ চেলহল্লি। দিল্লিগী হেল্‌থ অমসুং এদ্যুকেসন সেক্তরশিংদা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মহাক্কী লৈঙাক্লা মায়কৈ কয়াদগী পীরকপা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। হরিয়না অমসুং দিল্লিদা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপগী চাং হন্থরে। হরিয়নাগী লুচিংবা মনোহরলাল খাতানা হৌজিক দিল্লি লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অদু য়েংলগা পারা অমা তমশিনগদবনি। দিল্লিদা এ এ পি লৈঙাক্লা মায়কৈ কয়াদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরিবনি। লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী কোনুংদা মৈ, ঈশিংনচিংবদসু অহোংবা পুরকপা ঙল্লে হায়খি।

ইন্দিপেন্দেন্স দেগী মাঙওইননা খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোক্কদবগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী কোনুংগী মফম অনীদগী য়াম্লবা খুৎশু-খুৎলায় অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং ফাগৎখ্রে। অদুগা টেররিষ্টনি চিংনবা বাংলাদেশতগী লাকখিবা মীওই অমা বেঙ্গলুরুদগী ফাগৎখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা কর্বাইন্দ কারট্রিজশিং য়াওরি। মফম অনীদগী খুৎলায় পুথোক পুশিন তৌবা মীওই অনীসু ফারে হায়না দিল্লি পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি। ফারবা মীওইশিং অদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্গোলদগী দি মালদাদা লৈবা মহম্মদ অজিমুদ্দিন সেখ এলিয়স অজিম অমসুং উত্তর প্রদেশকী সামলি দিষ্ট্রিক্টতগী সোয়াম এলিয়স অস মহম্মদনি হায়রি। পুলিসনা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিংগা মরী লৈননা স্পেসল সেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস সন্দিপ কুমার যাদবনা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী মালদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিংঘোলাদা লৈবা সোয়াম হায়রিবা মীওই অদু ন্যু দিল্লিগী জি টি কর্মল রোদতগী শগোলশেন নুমীৎতা ফাগৎখিবনি। অদুগা অজিমনা ন্যু দিল্লিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তগী চৎলিবা চয়োল অসি হৌরকপদা ফাগৎখিবনি হায়রি। মীওইশিং অদু দিল্লিদা বেজ তৌবা ক্রিমিনেলশিংদা হৌখিবা চহী ৫ গী মমাঙদগী খুৎলায় সপ্লাই তৌবা মীওইশিংনি হায়রি।

কেরলাগী মুন্নর রিজোর্টতা ফোরেন টুরিষ্ট য়াওনা মীওই ৬০ থোকপা য়াদনা লৈখ্রে

মুন্নর, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): লম কোয়বশিংগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইরিবা কেরলাগী মুন্নর হিলস ষ্টেসন অমসুং ইদুকিগী পালিভসা রিজোর্টতা ফোরেন টুরিষ্ট ২০ য়াওনা লম কোয়বা লাকপা মীওই ৬০ রোম থোক্লকপা ঙমদনা লৈখ্রে।

ষ্টেট অদুদা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী অকনবা নোং চুরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা রিজোর্টশিং অদুগা ফাওনবা লম্বীশিং লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা চথোক-চৎশিন য়াখিদ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা টুরিষ্ট রিজোর্টশিং অদুদা নুমীৎ নীনি চুপ্প টুরিষ্টশিং অদু পন্দুনা লৈখ্রে। আর্মি অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সনা লম কোয়বা লাকখিবা মীওইশিং অদুবু কন্ননবা অকনবা থৌশিল পায়খৎখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু মখোয়গী কেরলাদা লম কোয়বা চৎখিবা সিটিজনশিংগী মতাংদা এদভাইজরি নোটিশ অমা ইস্যু তৌরকখ্রে। ইরাই নুমীৎতা এদভাইজরি ইস্যু তৌরকখিবা অদুদা যু এসনা হায়, সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুনগী অকনবা নোংনা ষ্টেট অদুদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদ থোকখ্রে। অমেরিকা মচাশিংনা খুদোংথিবা নংলবা মফমশিংদা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

ইরাই নুমীৎকী অয়ুক ফাওবদা কেরলাদা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং ২৬ শুহনখ্রে। কেরলাগী অৱাংথংবা অমসুং ইদুকি দিষ্ট্রিক্টশিংদা লেন্দস্লাইদ মথং মথং থোকপনা মরম ওইরগা মেন তাদবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে। মফম কয়াদা য়ুম-কৈ কয়া মাঙহন তাকহনখিবগী পাউসু ফংলে হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা হিলস দিষ্ট্রিক্ট ইদুকিদা লম কোয়বা চঙলকপশিং মতম খরগী ওইনা থিংননবা খঙহনখ্রে। থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুদা মীয়াম্না মীপায়বা ফাওবীদনবা অমসুং অরানবা পাউশিং শন্দোক্তনবা কেরলা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা হায়জখ্রে।

এ টি এমদগী শেল হুরান্নবা হোৎনবা রোমানিয়া মচা ২ য়াওবা খুৎপু ১ ফারে

কোলকটা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): ওল টেল্লর মেছিন (এ টি এম) চাউনা নমথাক তৌদুনা শেল হুরানবা খুৎপু অমা থুগায়খ্রে। কোলকটা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা এ টি এমদগী চাউনা শেল হুরান্নবগী থৌশিল চথুবা খুৎপু অদুদা য়াওবা রোমানিয়া মচা অনী খা থংবা দিল্লিদগী ফারে।

মীওইশিং অদুদগী শাশিন্নবা এ টি এম কার্দ ১৮, মাইখুম অমসুং পাসপোর্ট অনী ফাগৎলে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। মীওইশিং অদু মখা তানা ৰাহং পাউহং চথুনবগীদমক কোলকটাদা পুরক্লগনি। নমথাক তৌবগী থৌওং অদুদা বেঙ্ককী থৌমী ১০, প্রাইভেট সেক্তর বেঙ্ক অমগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর অমা চেন্নে হায়বসু খঙবা ঙল্লে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না এ টি এমদগী নমথাক তৌদুনা শেল হুরানবা খুৎপু অদুনা য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ২০ রোম হুরানখ্রে হায়বগী চিংনবা লৈরে। তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী কষ্টমরশিংনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা শেল মাংখিবগী ৰাকৎ কয়া লাকখ্রে। খুদোংথিবা মায়োক্লরবা কষ্টমরশিং অদুগী একাউন্টদা মথংগী নুমীৎ ১০ নিগী ফাওবগী মনুংদা শেলশিং হাপচিল্লগনি হায়না বেঙ্কশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

কনারা বেঙ্ক, পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক অমসুং কোটাক মহিন্দর বেঙ্ককী কষ্টমর খরনা নুমীৎ মঙানিরোমগী মমাঙদা মখোয়গী একাউন্টশিংদগী শেল লৌথোকখিবগী মেসেজ লাকখি। মদুগী মতুংইন্না কষ্টমরশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী বেঙ্কশিংদা ৰাকৎ থাঙ্গৎলকখ্রে হায়রি।

য়ু পিগী স্কুল ট্রেনগা মান্নবা মচু শংখ্রে

ফিরোজবাদ, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী ফিরোজবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ষ্টেটনা চলাইবা স্কুলগী ফক্লাংদা ট্রেনগা মান্নবা মচু শংবগা লোয়ননা ক্লাস রুম খুদিংমক ট্রেনগী ভোগিশিংগা মান্ননা মচু শংখ্রে।

নৌনা স্বাস্তা এক্সপ্রেস হায়না মমিং থোন্দুনা স্কুলশিং মচু শংবগী থৌশিল অদু পায়খৎখিবনি। স্কুল অদু ইলেক্ট্রিক ট্রেন অমগী মচুগা মান্ননা শংখি। লোয়ননা স্কুলশিং অদুগী ফক্লাংশিং অদুসু রেলগী দবাশিংগা মান্নহনখি। ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবা লৈবা অমসুং মহৈরোয় ১৭০ রোম তম্বা স্কুল অদুদা ওজা ৮ খক্লা মহৈ তম্লিবনি। মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসন পীবগী থৌশিলশিংগা মরী লৈননা ওজাশিং অদুনা মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিং অদুগী পূক্নিং চিংশিন্নবা স্কুল অদু ট্রেনগা মান্ননা মচু শংখিবনি হায়রি।

দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঞ্জোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিম্বা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/4774/4/8-4/9

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

* BANGLADESH
* KAZAKHSTAN
* PHILIPPINES
* SOUTH AMERICA
* RUSSIA
* CHINA
* KRYGYSTAN
* GEORGIA
* UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895
HL-B/4779/6/8-5/9


TODAY TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
Ticket Rate
Rs. 3000/-
In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Performing Artistes and Welfare Association
Regd. No. 453-M-SR-2010
HOUSEFULL
NEW VERNA
Mobile No. 8974733623(R)
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 250/-
PRIZE
1 Lakh
Q 10 ACTIVA 5g
Date & Time
11th August, 2018
(Saturday) at
DAY TIME 2.30 P.M.
All Line,Quick 5& Star are Rs. 10,000/-
Venue : Singjamei Thongkhong Community Hall
HL-P/5208/11

GOVERNMENT OF MANIPUR
STATE ACADEMY OF TRAINING, TAKYELPAT

(Telefax : 0385-2441541, email: satmanipur@gov.in

No. 10/17/2018(19)-SAT **Imphal, the 8th August, 2018**

To,

1. All Head of Department,
   Govt. of Manipur
2. Managing Director/Project Director/Secretaries of State Public sector undertaking Societies, State Commissions, Manipur

Subject : 3-days Training sponsored by DoPT, Govt. of India for the year 2018-19

Sir,

Under sponsorship of DoPT, Government of India, this Academy will be conducting 3 days Training on each of the following topics for the employees of the State Government, Autonomous Bodies, Public Sector Undertaking, Commissions of the State, etc.

1) Computer and IT.
2) Women Empowerment.
3) Noting & Drafting.
4) Information Technology & Uses of app for better governance.
5) Financial Management.
6) Audit Budget.
7) Disaster Management (Earthquake).
8) GST (Goods & Service Tax).
9) Computerized Accounting Software (Tally ERP 9).

2. Considering the importance of knowledge and skills of the employees, you are requested to nominate Group A, B & C employees in your department to attend any of the training on the above mentioned topics. Nomination indicating the name of the employees, designation & Course to be attended and his mobile no. may furnished to us.

3. We will provide training materials and working lunch to the trainees. Date of the training will be communicated after the selection of the trainees. Nomination of employees for the training may be sent to me latest by 25th August, 2018.

Sd/- **O. Nabakishore Singh**
Director General

HL-B/4788/10&11